# মালেমদা ফিদা কল্লিবা মণিপুরগা মরী লৈনবশিং য়োকখৎপীবগী মথৌ তারকপা -৫

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**

**মালেমগী** লৈপাক কয়াদা অঙৗং-অশা খেন্নবগী মতুং ইন্না মখল কয়াগী লমলক্কী অমদি য়ূমদা য়োকপা শাশিংগী মখলশিংসু য়ামই। মখোয়গী মনুংদা মালেমদগী মুৎখিবা কয়া অমা লৈখ্রে। মালেমদগী মুৎখিগদ্রা হায়না য়াম্না মীপাইনরিবা লমলক্কী শাশিং খরগী মনুংদা মণিপুরগী কৈবুল লমজাউ নেসনল পার্কতা ফংলিবা সঙাই হায়বা শজি মখল অসিসু অমনি। অদুবু মালেমগী মফম কয়াদা ফংলিবা শজি মখলশিংগা মণিপুরগী কৈবুল লমজাউ নেসনল পার্কতা ফংলিবা ব্রো-এন্টলর্দ দিয়ার (Brow Antlered Deer), ইংলিসকী ওইবা মমিংনা Cerves Eldi Eldi হায়বা শজি মখলসিগা খেন্নবা খরমদি ব্রো এন্টলর্দ দিয়ার হায়রিবা মখলসি মালেমগী মফম অমত্তদা ফংদ্রগা শুপ্নতগী মণিপুরদা ফংজরবসু, কৈবুল লমজাউ, ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৪৩ লাপ্পগা ইম্ফালগী খা নোংপোক হায়ফেৎ ওইবা অতাউবা ফুমদি ওইনা তৌবা মফমসি খত্তংদা ফংবসিনি। মণিপুরগী ওইনা হান্নদি মফম অতৈদা ফংলম্বা লৈত্রবসু কোন্না ফংলকপা হায়বদি লৈহনবা য়াবগী ওইথোকপা খরদি কোন্না লৈরকখিবগী খুদমদি লৈরে। অসিগুম্বা মালেমদা অনীশুবা মফমদা ফংদ্রবা তাঙলবা শজি মখলসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মতিক ময়াই অমদি মহৌশা লাইরেম্বীগী অখন্নবা অতাউবা ফুমদি মথকসিদা তাঙলবা শা মখলসিগী হৈনজবী ওইরবসু অতৈ শজি মখল নৎত্রগা লমলক্কী শা অতৈগুম্না হেক্তা মশীং খঙহেন নৎত্রগা চাং নায়না হেনগৎপা হায়বসু লৈতবগুম তৌবসিনি হায়বা তাই। মসিগী ওইথোকপা য়াবা মরম কয়ামরুম অখঙ অহৈশিংগী মত মতুং ইন্নদি - মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জাশিংগী হিংনবগী শৈদাংফম ওইবগী মথক্তা অতাউবা ফুমদিসিগী থাবগী চাং নোংম-নোংমগী হন্থরকপা অসিসু অমনি। খ্বাইদগী হেনবা মরু ওইবা মরম অমদি মালেমগী অতৈ মফমদা শুকফং ফংদ্রগা, মণিপুরদসু কৈবুল লমজাউ হায়রিবা মফমসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা মফমদা ফংবসু লৈতবনা মখোয় মশেল (সঙাই মখলসিগী) মরক্তা হন্না হন্না য়ূম্বান্নবনা; মান্নবা মখলগী কাঙলূপ হায়বদি চপ মান্নবা জিন ওইরকপনা, লায়না তীলনা অমা হেক লাকপদা তোয়না শিগনবা অমদি মচা ওইবগী চাং ৱাৎলকপা; মসিগী মথক্তা অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা হিংনবগী চানবা অমদি লল্লোন ইতিক্কীদমক পার্কসিগী মনুংদা চঙশিল্লগা পুল্লে, কোমপ্রেক্লচিংবা মনা মশীং কয়া হেকতোকপীবা; ঙা ফাফম শেন্বদগী ফুমদি কোখৎপদগী মখাগী ফুমদি পাথরকপদগী তাঙলবা মুৎখিগদ্রা হায়না মীপাইনরিবা সঙাই মখলসিগী য়ূম্বান পুন্সিদসু তোয়না অকায়বা পীবতা নত্তনা চানবা মচিঞ্জাক্কী অৱাৎপা ওইশিল্লকপা; মশা চানবা অমদি হাৎলগা শাদোং ওইনা য়োনবদা শেন্দোং য়াম্না ফংবদগী লোন্না চঙলগা শা মখলসি হাৎতোকপীবগী চাং ৱাংলকপা অসিনচিংবসিনি। লমদমসিগী ওইবা থাজবা ৱারী লিখুনগী মতুং ইন্না লুৱাং, য়েক সলাইগী নিংথৌমচা পুদাংকোই হায়বসিনা তাঙলবা শজি মখলসি শায়োন ওইনা ওনখি হায়বসিনি। মীনা ওনখিবা ওইবনা হেন্না মালেমদা অতাঙবা অমদি অখন্নবা মতিক ময়াই ওইবসি ওইফম থোকপ্রা হায়না খঞ্জে।

মালেমদা অনীশুবা মফম অমত্তদা ফংদবনা ব্রো এন্টলর্দ দিয়ারনা মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকপগা লোয়ননা লেংদবা ফিদা কল্লিবনি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা নত্তনা লৈপাক মীয়ামসু থৱায় য়াওশিন্দুনা মালেমসিদগী মুৎখিগদ্রা হায়না মীপাইবা পোল্লিবা অখন্নবা শজি মখলসি মশীং করম্না য়ামখৎহনসিগে হায়বসিগী মতাংদা মরু ওইনা অখঙ-অহৈশিংগী পাউতাক লৌরগা কন্নবা হোৎনবীবগী মথৌ য়াম্না তাই হায়জনীংই।

মণিপুরদগী মুৎথ্রবদি মালেমদগী মুৎখিবা হায়বদু ওইগদবনা মুৎখিগদ্রা হায়না মীপাইবা পোল্লিবা সঙাইসিগী মমিংদা মণিপুরবু অমুক হেন্না সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা/মালেমদা মশক তাক্লবা হোৎনরিবনি হায়দুনা চহী খুদিংগী নবেম্বর ২১দগীনা নবেম্বর ৩০ ফাওবা সঙাই ফেষ্টিবেল হায়না পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজেবুংদা হান্না মমাঙদগী পাঙথোক্লম্বসি হৌখিবা চহী ২০১৭কী ওইনদি তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা পাঙথোকখিবদা নোর্থ ইষ্ট দিভলপমেন্ট সম্মিট (এন ঈ দি এস) কীসু শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা হৌদোল্লগা সঙাইগী হৌরকফম অমদি লৈফমসু ওইবা কৈবুল লমজাউ নেসনল পার্কতা হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকপদা নত্তনা নুমিৎ তরানি চুপ্পা মখা তাবা থৌরমশিং পাঙথোকখিবসি নাকল অনী থোক্না তেল্লবা ৱাফম খরদং থমজগে। অহানবদা, মফমসিদসু পাঙথোকপগী ফবা মরম খরদি হান্না নেসনল পার্কসি তান্না চৎপদা লম্বীগী ফীভম য়াম্না ফৎলমদবসি হন্দক্তগী সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌ-অশাং ময়াম অমা চৎকদবনা শেমদবা য়াদবদগী শেমজিনবা হৌবা। হেন্না ফগদবদি মতুং তারকপদসু মঙং মরীল তানা শেমজিনবীরগা মপাল লমদগী অমদি ষ্টেটসিগী মনুংদগী তাঙলবা মখলগী সঙাইদা নত্তনা পার্কতুগী অকোয়বগী মহৌশাগী ওইবা ফীভমশিং য়েংজনীংবশিংনা লাকপদা/চৎপদা নুংঙাইহল্লবদি মতম নায়দনা য়েংনীংবা মীগী মশীং শোয়দনা হেনগৎলক্কনি। অদু নৎত্রবদি, থৌরম পাঙথোক্লমদাইদা ওইরবদি মফমদুদা ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা হৌরুবগী কান্নবা লৈরোই। লৈঙাক্কী অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা শেমগৎ শাগৎপীরবদি অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংগীসু মীওই খরদা ওইরবসু য়েংবা লাক্লিবা কাঙবুদা চান-থক্লবা, ঙহাক পোথানবা মফমশিং শেমগৎলক্তুনা লমকোয়বশিংগী পূক্লিং চিংশিনফম শোয়দনা ওইরক্কনি। মসিনা নাকোয়ননা খুঞ্জা খরদা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহল্লক্কনি, নারোন্দগী মীফৎত ওইবা মীওই খরনা পার্ক মনুংদা লোন্না চঙশিল্লগা তাঙলবা সঙাই হাৎনবা, ফানবা লাং থাকপা চঙথোক চঙশিন ঙমহল্লোই। মসিনা অমুক নাকোয়ননা সঙাই কন্নবগী মরম/মচাক ওইগনি। অদুম্নমক ওইরবদা, অকক্লবা কাঙলোন অমগী মখাদা অখঙ-অহৈশিংগী পাউতাক লৌরগা নেসনল পার্ককী মনুং নৎত্রগা নকশিন্নবা অকোয়বদা মীয়াম অমুক চঙশিনবদগী অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা ওইরকপগা লোয়ননা তাঙলবা শা মখলসিগী মহৌশাগী হৈনবী মতুং ইন্না মচা পোক্লবা লোই চেন্নবা হৌগনবা মতমদগীনা মচা পোক্তুনা অনৌবা মচা চেনবা য়াবা মতমশিংদা অয়েৎ অপন পীদনা মশীং হেনগৎহনবা য়ানবা মায়কৈরোমদসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তাবা লৈরক্কদবসু খন্থহঞ্জনীংই। খ্বাইদগী হেন্না চেকশিন্নীংঙাই ওইরিবদি মীফৎত কাঙবু খরনা নুংশি হৈতনা মশাগী কান্নবা মরম খরগীদমক তাঙলবা সঙাইসি হাৎতোক্লগা হেন্না খুদোংথিবা ওইহনবসি থিংবা তারকপসিনি। মসিগীদমক মফমদুদা ফোরেষ্ট লোইশঙ, হোমগী থৌদাং পাঙথোক্লিবা পুলিসকী অপূনবা লেংদবা ষ্টেসন অমা লৈহনবগী য়াম্নমক মথৌ তাই হায়বসিনি। কুমজা ২০১৩দা সঙাই মশীং থিখিবদা মশীং ২৬০ শুরে হায়বসি কুমজা ২০১৭ ফাওবদদি হান্নগী মশীংসিদগী খরদি শোয়দনা হেনগৎলম্লগনি থাজে। অদুবু অইবনা ৱারেংসি হাথু-হাথুনা হায়বদি মপান্দা চৎপগী মরম অমা লাকপদগী মরী লৈনবা লোইশঙদগী দেটা হায়বদি খ্বাইদগী নৌবদা সঙাই মশীং কয়া হৌজিক হৌজিক লৈরিবগে/শুরবগে হায়না পাবিরিবশিংদা পাউদমজবা ঙমখিদবগীদমক পাবিরিবশিংনা ঙাকপীগনি। অদুবু, থমজনীংবা ৱাফম অমদি ইরোইশেম্বদা লৈরিবা জুলোজিকেল গার্দেনদসু চহী খরগী মমাঙদা য়াম্না তাঙলবা সঙাই মখলসিগী লাবা-অমোম খরা পুরক্লগা হিংবা চঙবা, মখোয়গী হৈনবী অনীশুবা ময়ূম/মফম শেমগৎপা য়াব্রা হায়বগী মঙংদা/মতাংদা চাংয়েং ওইনা তৌবদা মায় পাকপা য়ারে হায়বগী খুদম অমদি হন্দক পংকুই কুইদ্রিবা মতমগী মমাঙদা ইরোইশেম্বগী জুদা চাংয়েং ওইনা য়োক্লিবা সঙাই - মচা পোক্লে হায়না ফোঙখিবা পাউ অমা করম্বা পাউচেদনো চপ চানা নীংশিংজবা ঙমদবা অমদা থেংনখিবগুম তৌখি। করিগুম্বা মসিনা চুম্লম্লবদি সঙাই খরসিনা লৈরিবা মফমসি খরগা পাক চাউথোকহল্লগা মপূং ফারক্লবা লাবা-অমোম খরসু কৈবুল লমজাউ নেসনল পার্কতগী জুসিদা পুরক্লগা অদুগা অমুক জুসিদগীনা মপূং ফারবা লাবা-অমোম খরা - মথৌ তারগনা লাবা ঙাক্তা/অমোম ঙাক্তা কৈবুল লমজাউদা ওস্থোক-ওনশিন তৌরগা হেন্না তাঙলবা শা মখলসিগী মশীং হেনগৎহনবা য়াগদ্রা হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা খন্নবিদুনা য়েংবিরগা মশা মঙ ফবা মপাশা-মমাশা পুথোকপা ঙমগদ্রা ঙমলোইদ্রা হায়বা ৱাফমসিসু থমজনীংই। মরম অসিদগী ইরোইশেম্বগী জুলোজিকেল গার্দেনবু সঙাইগী অনীশুবা ময়ূমনি হায়না খঙনরক্লিবনি। মসি অফবা খুদমনি। খ্বাইদগী লাইবক থীবদি কুমজা ২০১৭কী সঙাই ফেষ্টিবেল কৈবুল লমজাউদা ইহান হান্না ফেষ্টিবেল পাঙথোক্তুনা সঙাই চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা ষ্টেট লৈঙাকসিনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা মফমদুদা থৌরম হৌদোকপদগী নুমিৎ ১০নিগী থৌরম লোইবা ফাওবা পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা তাল্লক্তা লমহেনবা মীওই অমনা ৱানা য়োকখৎনবা হোৎনরিবা সঙাইবু হাৎলগা শেন্দোংগীদমক য়োল্লম্বদগী ফারগা জেলদা থাজিনখিবগী পাউ ফোঙনরকখিবসি হাৎতোকপীখ্রবা সঙাইদুগীদমক্তদি লাইবক থীবনি। অদুগুম্বা থাক য়াম্না নেম্না নুংশি হৈতনা তাঙলবা শা মখলসিবু হেক্তমক হাৎলগা চাগনি, শেন্দোং তানগনি হায়বা ৱাখলনা মাঙওইনরগা লৈঙাক্না অমদি লৈপাক মীয়াম্না কয়াম পূক্লিং চঙলিবগে হায়বা করিমক্তা নাচুংদনা হাৎলিবা অমদি তুংদা হাৎকে হায়বা ৱাখল্লোন চেনবা মীফৎত কাঙবুশিংগী মথক্তা ফারগা খ্বাইদগী কনবা মঙংদা আইনগী ওইবা থবকশিং/খোথাংশিং লৌখৎচহন্নীংই। “মালেমদা অনীশুবা মফমদসু ফংঙমদবা সঙাই মশীং য়ামখৎহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মালেমদগী মুৎখিগদবদগী কল্লগা মণিপুরবু মালেমদা তোমথিন নায়বা/ঙানবা চীংলৈপাক অমা ওইহনসি।”

# ঐখোয়গী পীক্লবা খুন্নাই অসিগী মীয়াম পূন্নমক নোংম-নোংমগী খম থেংনা ৱাবা হেনজিল্লক্লি

**দিলিপকুমার খুমন্থেম**

**তাইবঙপান** অসিদা মী অমা ওইনা হিংলুবনা পুন্সিগী লানফমদা মখল মখা কয়াগী হিংবগী লান শোক্লরি। হিংনবগীদমক্তনি মীওইবা খুদিংমক্লা হোৎনরিবা অসি। হিংনবগীদমক্তা অফবা-ফত্তবা থবক অমত্তা থিদনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা পুন্সিগী লান শোক্লরি। ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদদি অৱাবনা নম্না লৈবা য়াম্না শাথিনা শোথরবা অসুক্কী লায়রবা লমদম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা লুখ্রাবীশিং (মপুরোইবা লৈত্রবী নুপীশিং) গী মশীং য়াম্না লৈ। নুপী অমা ওইনা মখোয় হিংবদা য়াম্না অৱাবা মায়োক্লরি অমদি চহী অহল ওইরবা-ওইরবী কয়া অমসু থবক শূবা-নোম্বা ঙমদবদগী হিংবগী লম্বীদা য়াম্না অৱাবা অমা ওইরি। ঙসি মখোয় মখোয়গী অধিকার পূম্বসু মৎপীবগা চপ মান্নরি। নোংমগী থবক লেপ্তুনা শূনা-শূনা চরা নোংখন্নবা ফাওবা ঙমলক্ত্রে। লৈত-লায়রবনা হেনমনখিবনা মচা-মশু ফাওবা নিংথিনা লাইরিক-লাইশু ফাওবা তমহনবা ঙমদ্রবা ইমুং মশীং লাকঙমদনা লৈরি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা।

য়াম্না লায়রবা ইরমদম ওইবনা চহী নৌরিবা অঙাং মচা ফাওবা লাইরিক-লাইশু তমহনবগী মহুত্তা থবক শূদুনা শেল তানবগী ৱাখলদা লুপ্পকপগুম তৌরি। পীক্লিবা তুংগী য়ূম্বীরেল কয়াবু শুম চাখিগদ্রা খনবদা অকি-তুজুংবা ফাওদবা ঙমদে। নোংমগী খূৎশূমল য়াম্না পীক্লা ফংবা অসিনা নোংমগী চাব-থকপা (চরা নোংখন্নবা) কোন্নদ্রি অমদি নোংমগী মনুংদা চরা অমখক্তা ফাওবা চাব কোন্নরক্কদবা মান্দ্রে। অসিগুম্বা কয়া অসিনা চহী শুদ্রিবা অঙাং কয়ানা ৱাখল খজিক্তং খনবা ঙম্বা মতমদা মমা-মপাগী অমদি ইমুংগী অৱাবা ময়াম অদু উবা মতমদা লাইরিক তম্নীংবগী ৱাখল পোক্কদ্রা? অসিগুম্বা অৱাবা অসিগী মরুমদা অঙাং মশীং খঙদনা খুমজিন্দুনা থম্বীরি। খম থেংনা ৱারবা ইরমদম অমা ওইবনা চহী নৌরিবা অঙাং কয়ানা থবক শূরকপগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরে। খুদম ওইনা হায়রবদা হৌজিক লাইরিক লাইশু তম্বা ফংদবা অঙাং য়াম্না লৈরি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা। হৌজিক হৌজিকমক গাড়ী তোংবা মতমদসু গাড়ী চৎপা অঙাং মানবা অদুমক থেংনজে অমদি গাড়ী শেম্ফম (ৱার্কশোপ) গুম্বা মফম অমদা চঙলুবা মতমদসু অদুমক থেংনবিরমগনি। হিংদবা য়াদবদগী চহী নৌরিবা কয়ানা অৱাবা মায়োক্লে হায়বসি লোইনা খঙনরবা ঙাক্তনি। করিগুম্বা চহী শুদ্রিবা অঙাং কয়ানা থবক শূবগী মশীং য়াম্না হেনগৎলকপা তারবদি মতৌ করম্না ফহনগদগে? অমরোমদা ঐখোয়গী ইরমদমগী মপারী-মমোম ফনমক ৱারবসু পেন্থোকপা হৈবনা য়েংবদা নুংঙাইবা লোইনা মাল্লি। মসি তশেংনা নুংঙাইবমক্তি নত্তে, শুপ্নতংগী য়েংবদা নুংঙাইবা মানবা খক্তনি। য়েংলু-য়েংলুবদা লম্বী-থোংগী মতাংদা ওইরবসু লৌখৎনীংঙাই য়াওদে। মফম খুদিং ফীভম অমত্তা চাদ্রে। খুন্নাই অমা চাওখৎপদা লম্বী-থোংসু য়াম্না ফহনবা মথৌ তাই। অদুবু লম্বী-থোংদি অয়াম্বনা ফৎত্রে। নোং চুবা মতমদনা লৈখোম থোকপা অমদি নোং তাদবা মতমদনা উফুলনা চৎপা য়াদবা, করিগুম্বা চৎলুরগনা উফুল ময়ামদুনা হকচাংদসু অকায়বা কয়া অমা পীরকপা অসিনা হেন্না অৱাবগী ইনোৎ অমসু হাপ্লে। য়ূম-কৈগী ফীভম য়েংলুবা মতমদসু সিমনা ফৈ হায়বা লৈত্রে।



চানীংঙাই ফাওবা লৈত্রিঙৈদা য়ূম ফজনা শাবগী পাঙ্গল লৈতে। য়ূম-কৈ লৈতবা, শাবা ঙমদবা ইমুং কয়া অমসু লৈরি। মীওইবা অমা ওইনা লৈনবা য়ূম অসি য়াম্না মরু ওই। অদুবু খম থেংনা ৱাবনা হেনমনখিবনা খুদিংমক্তা অহোবগী অহোবা ঙাক্তা ঙাইরে ঐখোয়গী ইরমদম অসি। য়াম্না ৱারবা ইরমদম মীয়ামগী হিংবগী হক্তি মীকুপ খুদিংগী মাঙশিল্লক্লি।

তশেংনা খুন্নাই অমা চাওখৎপা মতমদা লাইরিক-লাইশু অমদি অফবা ৱাখল্লোন অমদি শেল চঙই। হোয় অমরোমদা ৱাখল পূক্লিং লৌশিং ফনা হৈ-শিংলবসু চানবা য়াওদ্রবদি খুদিংমক অরেম্বনি। ৱাখলদদি খুন্নাইগীদমক অফবা থবক ফজনা তৌনীংলবসু হীরম খুদিংগী অৱাৎপনা হেনবা মরম্না তৌবা ঙমদনা লৈরি। খুদিংমকশিং অসি তৌনবগী ৱাখল্লোন কয়া খনবা তারবসু য়াম্না লায়রবা অৱাবা ওইবনা করিসু তৌবা ঙমদনা অয়াম্বনা লৈনরি। মসিনা তাকপদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মীওই পূন্নমক লোইনা পুকচেল চাউবা, ৱাখল লৈবা, মীনুংশি লৈবা, চারবসু হিংনবগীদমক হোৎনবদা করিসু তৌবা ঙমদনা লৈরিবা অসি শেল-থুমগী মরমদসু অসুক্কী মতিক য়াম্না ৱারে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। মসি মতৌ করম্না ৱারিবনো হায়বসি থিদোকপা অমদি তঙাইফদনা চঙই। করিগীদমক ইরমদম অসিদা হীরম খুদিংমক্তা খম থেংনা ৱারিবা অসি করিদগী ওইরকপনো? মসিগী চপ চাবা মরম অমদি শোয়দনা লৈগনি। ঐখোয়গী ফংফম থোকপা পূন্নমক হুরানবশিংনা হুবীখ্রব্রা! লাইরিক-লাইশু নীংথিনা হৈরবা মীওই খরদি তৌফম খঙদনা ককঙাওননা লৈরি। মখোয়না থবক চিলহাও থিদনা, লৌ উদুনা, ইথ্খোল কোয়দুনা হোৎনরবসু হেন্না ৱাবনা শরুক য়াম্না হেল্লি। হারগী মমলনা অতিয়া খেৎনা ৱাংলবদা কনানা লৈবা ঙমগনি। হু চেল্লবা হার, মখল মখা কয়াগী হীদাক্লসু ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওসু মরূ ফংনা মাঙহল্লকপগুম তৌরি। করিনো হিংনবগীদমক তৌগদবা অসি! অসুম হায়না অদুম তৌদুনা লৈবা তারবদি নোংমদি শোয়দনা মাঙখিবা য়াই। অসিগুম্বা কয়া অসিনা হেন্না ৱারকপা অসিনা হিংনবগী লম্বী থিরকপা মতমদা খুন্নাই অসিবু হেন্না মোৎশিনহল্লি অমদি মীওই কয়ানা শেরান্নবা লম্বীদা খোঙ থাংজিন্নরল্লিবা হায়বদি নুপী কয়ানা ফৎতবা লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লল্লিবা অমদি নুপা-নুপী খাক্তনা মখল মখা কয়াগী তাহৈদ্রবা থবক কয়া তৌনরল্লিবা অসি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মীয়াম পূন্নমক হায়নীংঙাই লৈতনা ৱারে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মতম অমগী মুনি ঋষিগুম্বা কয়া

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মুনি-ঋষি** কয়ানা ফম্লগা ধ্যান তৌদুনা য়েংবদা মসিনা মসি তৌরকপনি, মসিনা মসিদা ওইরক্কদবনি, মসিনা মরমদুগী লাকপনি, মসিনা মসি ওইরকপা য়াই হায়না খঙবগুম তাইবঙ শেম্বা মপূ বুধ দেবনা বুধগয়াদা ফমদুনা ধ্যান তৌদুনা লৈবদা ফংলকপা মঙালদুগুম্না ৱাখল তানা খন্থরগা ৱাখল তৌবদা মুনি ঋষিশিংনা খঙবগুম, বুধ দেবনা খঙবগুম খঙবা মীওই কয়া খুন্নাই অসিদা অমদি মালেমগী মফম কয়াদসু লৈরি হায়বসি মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্লসু খঙফম থোকই। মখোয়না তৌরিবা অমদি তৌগদৌরিবা কয়া খরা শোয়নরবসু অদুগুম্বা অথোইবা কয়া অদুগী ধ্যান্না অফ-ফত্ত খন্নরকপদা মীয়াম্না নৎত্রগা লৈঙাক্না তৌগদৌরিবা অমদি তৌরক্কদৌরিবা কয়া খঙবা মণিপুরদতা নত্তনা মালেমগী মীয়ামলক অসিদা লৈ হায়বসি মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্লসু খঙফম থোকই।

খুদম ওইনা হায়রবদা পুন্সি লিশাং শিৎনা হিংলক্লিবা অহল অদুনা মানা থেংনরক্লিবা এক্সপরিয়েন্সনসু মসিমক চাউরাকপা উবা ঙমই। য়াম্না হৈশিংলবা জর্নেলিষ্ট অমনসু মাঙগী-তুংগী খল্লগা খুন্নাইগী মায়ওন খঙই। লাইরিক-লাইশু হৈরবা পণ্ডিট কয়ানসু খুন্নাইবু মশক খঙই। ক্রিটিকশিংনসু তৌরমদৌরিবা অমদি তৌরক্লিবশিং অফবা অমদি ফত্তবা খঙই। মীওই খরা লৌতুনরগা অচুম্বা অফবা চৎপা মীওই অমবু অরানবা তৌহল্লগা চৈরাক পীরবদা ইনভেষ্টিগেসন ওফিসরশিংনা থিরবা মতুংদা জজনা অচুম-অরান পুথোকপা ঙমই হায়বসিসু খঙনৈ।

শঙ্গ-পঙ্গগী ফুরূপ্পা মা-মাগী শঙ্গ-পঙ্গবু অৱাংবা থাক্তা পুরকপা ঙমই হায়বসি ফরে হায়না পুখৎলক্লিবা মী অদু ফগে ফৌ, ফরোই তোকউ শঙ্গ অদুনা পুথোরকপনি হায়বসিসু খঙই। মীচং শঙ্গনা মী ওইহনবা য়াওখি হায়বসি ময়াম অদুনা খঙই। অসুম্না খঙ হৈরবা, ৱাখল লৈরবা কয়ানা ধ্যান তৌদুনা উরবসু মরাল লৈজদ্রবা অচুম্ববু অরানবা তাহনবা, মতিক চাদ্রবা মীবু অচৌবা ওইহনবা, মনা পীশিন্দুনা থাঙ্গৎপা খঙদবা নত্তে। মমাঙঙৈগী মুনি ঋষিনা ধ্যান তৌবদা উবা ঙম্বগী শক্তি লৈবদু ঙসিগী মীয়াম মরক্তসু ধ্যান তৌদুনা য়েংবদা লোইনা উবা ফংনরবনি হায়বসিনা অরানবা থবক, শঙ্গ-পঙ্গনা মী চাওখৎহনবা, মনা পীবা, অথোইবা ওইহনবা পূন্নমক্লা খঙই। ধ্যান্দা পূন্নমকপু খঙই হায়বসিদা অশোয়বা য়াওদবদি নত্তে অদুবু খঙবা য়াবমখৈ খঙলবা মীওই কয়া মালেম পূম্বদা লৈরকপনা ওইদবা-পামদবা, মীনম্বা, হুরান-চিন্থি, শেল পাম্বদগী তৌরকপা, মীংচৎ পাম্বদগী তৌরকপা, শঙ্গ-পঙ্গনা ইনখৎলকপা পূন্নমক খঙবা অশিংবা জ্ঞানি কয়া লৈরে হায়বসি ঐখোয়নসু, মীয়াম্নসু, লৈঙাক্লসু খঙদুনা য়ারিবমখৈ মীচং-মীখাই নাইদনা অচুম্বা অফবা থবক তৌনরক্লগনি হায়বসি পংজখ্রবা ননাইনা থমজরি।

থৌদৌ অসিমক হন্দক্কী য়াওশঙগী মতাংদা পোলিটিক্সতা হৈথোই শিংথোইরবা কয়ানা অমদি লৈঙাক্লা য়াওশঙবু নুমিৎ হুমনিদা লোইশিন্নবা ফোঙদোকখিবা অদুবু অচুম্বা ওইগনি হায়না লাউনরিবনি। মসিনা তাকপদি ধ্যান তৌবা কয়ানা অচুম্ববু খঙনরকপা, অফবা অমদি ফত্তবগী ৱাখল খন্নরকপনি। ধর্ম্মদসু অকায়বা পীবা নৎত্রে। তাইবঙ শেম্বা মপূগী তৌফম থোকপা থবক্তসু অকায়বা লৈহন্দবনি। অসুম্না জ্ঞানি কয়াগী ধ্যান্না মণিপুর অমদি ইন্দিয়াদতা নত্তনা মালেমগী ওইনা অফবা অমদি ফত্তবা লোয়না খঙনরকপগী মতৌ উৎলকপনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্লা হন্দক্কী নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট অহুমগী লরাই (ভোট) অদু পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লরাই নত্তে, অফবা তৌবা অমদি ফত্তবা তৌবগী ৱাখলগী ভিয়ুনি হায়না পনখ্রিবদু।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্ম*

**মরোল থোকপা লাই**

